# য়াওশং হো য়াওশং লমতা থাগী য়াওশং

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা

ঙসি লমতাগী পুর্ণিমানি। য়াওশং হৌবা নুমীৎ হায়বদো ঙসিনি। য়াওশং হৌবা নুমীৎ ওইবনিনা চাকচা-হৈজানবা পামজবা মীওইশিং মথুম-মরাং হৌনরি। কুইরবনি য়াওশংগী হরাও কুম্মৈবু শান্ন-খোৎনবনা মহুৎ শিলহনগদবনি হায়দুনা লাউদুনা লাক্লিবসি। খোল্লাউ অসিগী মহৈ ওইবা তাই য়াওশংগী স্পোর্টস তৌদবা ক্লব থিবদা ফংজিল্লক্ত্রিবসি। চহী খরগী মমাঙদা য়াওশংগীদমক্তা লম্বীদা শেল নীবগী থবক তৌবসি চাউখৎত্রিঙৈগী চৎনবীনি খন্নদুনা পাঙথোক্লরুদ্রে। হৌজিক অমুক কদোমদগী হুম্লকপা নোংলৈ-নুংশিৎনো খঙদবমখৈ য়াওশংগীদমক্তা লম্বীদা শেল নীবদা ঈকাইবা মচেৎ অমত্তা য়াওদবা মীওই কয়া থোরক্লে। নুমীৎ তরানিরোমগী মমাঙদগী য়াওশং থাবলগীনি হায়দুনা লম্বীদা শেল নীবা হৌখ্রে। ঙরাংদি মশিং থিবা ঙমদবমখৈ লম্বীদা লৈশাবী অমসুং পাখংমচাশিং থোরক্তুনা শেল নীখি। লম্বী চৎপা মীওইশিংদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লহনখি। হায়নিংলিবদি য়াওশং মমাঙদা শেল নীথোকখ্রবনিনা য়াওশং মনুংদদি শেল নীররোইদ্রা হায়বসিনি।

অদুবু লম্বীদা থোরী থৎলক্লোই হায়বগী থাজবা থম্বা ঙমদে। মরমদি য়াওশং মমাঙদনা লৈশাবীনা থৎপনি, য়াওশং মনুংদনা মৌশিংনা চাকচাননবা থৎপনি হায়রকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। লৈশাবীসু ফাদ্রিবা, পাখংসু ফাদ্রিবা অঙাংশিংনসু লম্বীদা থোরক্তুনা শোয়দনমক্কী শেল নীরক্কনি। মসিদগী অদুমক হৌরে য়াওশং স্পোর্টসকী ৱাহন্থোক লৈহন্দবা। শেল নীবা তোকখিনবগীদমক্তা য়াওশংগী স্পোর্টস পাঙথোক্লিবনি। শেল নীববু অতম্ননা মীওই খরনা পাম্নদবগী মরম য়াম্না লৈ। মতম শাংনা থবক তৌনরুবদগী পোথাবা ফংজদ্রবা মীওইশিংনা য়াওশংগী শাংনা ছুটি লৈরিঙৈ মনুংদা অমনা অমগী য়ুমদা কোয়নদুনা অৱা নুংঙাই ৱারী শাবা শোয়দনা পাম্নে। মীকুপ অমত্তা শংনরুদ্রবা মীয়াম্না য়েংনিংবা মফম, চৎনিংবা মফম চৎহৌনবগী খুদোংচাবা পুন্না মক লম্বীদা শেল নীবনা অপনবা ওইহল্লি। মসিগীসু মথক্তা য়াওশং হায়বসি ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাশিন-থকশিল্লগা গাড়ী কন্না থৌনবা মতমনি। য়াওশং মনুংদনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংই। মসিনসু মরম অমা ওইরগা লম্বীদা শেল নীবা হায়বসি খ্বাইদগী ফত্তবা অমনি হায়না লৌনবা হৌরকই। লাইরিক-লাইশু তমদুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা লম্বীদা থোক্তুনা শেল নীবগী হৈনবী লৈহনখিবা হায়বসিনা ৱাখলদসু অদুক্কী মতিক ফত্তবা ওইহল্লি। পুন্নমক অসিদগী কনবা ঙম্ন নবগীদমক্তা য়াওশং মনুংদা লম্বীদা থোক্লগা শেল নীবা তোক্লনবা পাউতাক কয়া মীওই কয়ানা পীদুনা লাক্লি। পীখিবা পাউতাকশিং অরেম্বদা তাখ্রে হায়বসি তৌথোরক্লিবা থৌদৌশিং অসিনা ময়েক শেংলক্লি। ফনা য়াম্না তোঙান তোঙানবা মচুগী ফিরাল থেৎতুনা লম্পাক খুদিংমক্তা য়াওশং স্পোর্টস পাঙথোকচরবসু লৈশাবী অমসুং মৌনহাশিংনা য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা শেল নীবগী হৈনবী হেনগৎলকপা অসিনা খুন্নাই অসিগী ওইনা করিসু কান্নবা পুরক্লোই।

ক্লবনা লৈশাবীশিং অমসুং মৌনহাশিংবু থৌরী চিংবী অমসুং মখল খরগী শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াহনজরবসু য়াওশং স্পোর্টসতা পূক্লিং ৱাখল লুপহনবা ঙমদে। লৈশাবীশিংনা থাবল চোংনবা হোৎনবা, মৌনহাশিংনা শেল নীরগা চাক চান্ননবা হোৎনবদগী হেন্না অতৈ অতোপ্পা ৱাখলদা মপুং ওইনা হায়দোরকপা ঙমদ্রি। সোসল ৱার্করনি হায়দুনা থোরক্লগা ভোট লেপ্পবা হোৎনরিবা মীওইশিংগীসু য়াওশং হায়বসি মশক তাকহৌনবা অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইরি। শেল নীবা লাকপা মীওইশিংদা শেল চাউনা হাপ্পা ঙম্বা তান্নরগা সোসল ৱার্করনি হায়ননবা হোৎনবগী অকনবা মুক্ত বা অমা লমদম অসিদা লৈরক্লিবা অসিসু নুংঙাইবা মখল অমনি। পুন্নমক অসি লমদমসিগী অফবা মায়োলনি হায়না লৌবা য়ারোই।

য়াওশং মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া লমদম অসিদা থোকখ্রে। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্টকী মিংদা য়াওশং মনুংদা মীওই কয়াগী পুন্সি পীখন্নহনখ্রে। থাবল চোংবা হল্লকপদা পুন্সি পীখন্নখ্রবা মীওই কয়াগী ইমুং মনুংনা হৌজিকসু কপ্লি। থাবল চোংবদা হৈরোক্তা থোকখিবা অকনবা ঈরাং মীয়াম্না হৌজিকসু নীংশিংন্নরি। থাবল চোংন-চোংনা মচা হুন্দোক্লল্লগা অতোপ্পা নুপাগী মতুং ইনখিবা মৌনহাগী মশিংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। থাবল চোংনবা হোৎনবদা হুনে দাক্লিবা য়ামখ্রবা শেনফম অসি পুনশিন্দুনা য়েংলুবদা কোকচাউবী কারোইদবগী মরম লৈতে। ঐখোয়না কাউরোইদবদি লমদমসিগী হরাও কুম্মৈ পুন্নমক মীরমদা শেল হুন্দোক্লিবনি হায়বসি কাওরোইদবনি। তৈনগদৌরিবা অবের মীরমদগী পুশিল্লকপনি। অঙাংনা শান্নগদৌরিবা চাগী নোংমৈ পুশিল্লকপনি। চাগদৌরিবা পুন্নমক মীরমদগীনি। থৌগদৌরিবা গাড়ী অমসুং হানগদৌরিবা থাউ মীরমদগীনি। পুন্নমকসিদগী হেন্দোক্লগা মকে শেম্বদা চঙলিবা মচাক পুন্নমক মীরমদগী পুশিল্লকপনি হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে।



লৌশিং পুক্কে

# হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা হীদাকশিং



হকচাং শোক্লিং ওই হায়বগীদমক য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা হীদাক ১২০০ রোমসু অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলি। হীরম অসিগী মতাংদা ড্রগ কন্ট্রোলর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি জি সী আই) না ফিক্স দোজ কম্বিনেসন (এফ দি সী) ড্রগ ১২০০ গী সেম্পলশিং সেন্ট্রেল ড্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) দা থাদুনা চাংয়েং তৌহনখ্রে।

ফিক্স দোজ কম্বিনেসন নৎত্রগা এফ দি সী ড্রগ হায়বসি শুপ্নগী গুলি অমখক্তা তোঙান তোঙানবা ফার্মাস্যুটিকেল ইগ্রিদিয়ন্ট অনী নৎত্রগা মসিগী হেন্না য়াওবা হীদাকশিংবুনি। অকক্লবা চাংদা তোঙান তোঙানবা মচল কয়ামরুম পুনশিল্লগা শেম্লকপা এফ দি সীশিংদা কোদিন কৌবা ব্রেনদা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা পোৎলম অমসু য়াওই হায়রি।

কৈথেলদা মরাং কায়না ফংলিবা অমসুং ডোক্তরগী প্রেসক্রিপসন য়াওদ্রবসু লৈবা য়ারিবা এফ দি সীশিং য়েংশিলহন্নবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা কম্মিটিগী চ্যেরমেন সী কে কোকাটেনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা কম্মিটিনা এফ দি সী ৬,৬০০ লোম য়েংশিনখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা অতোপ্পা হীদাক খরসু অথিংবা থম্নবা থৌরাং তৌরি। থা ৬ কী মনুংদা সেন্ট্রেল ড্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) না বেন তৌরবা হীদাকশিংগী লিষ্ট অমা থাদোরক্লগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তোঙান তোঙানবা মিংথোল শীজিন্নরগা য়োল্লকপা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা ১২০০ সু বেন তৌবা য়ানা লৈরে হায়না ড্রগ কন্ট্রোলর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল ড্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না ফিক্স দোজ ড্রগ খুদিংমক তোঙান তোঙানবা মিংথোল ৫/১০ পীরগা তোঙান তোঙানবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিংনা য়োল্লি। মরম অদুনা অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা হীদাক ১২০০ রোম বেন তৌবা য়ানা লৈরে।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্মনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না পেনকিল্লর ড্রগ অয়াম্বদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবা পেরাসিটামোলনা অরথ্রাইটিসকী চৈনাকোল হন্থহনবা ঙমদে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ডা. স্বেন ট্রেলনা হায়খি, হীরম খরদা পেরাসিটামোলনা চৈনাখোল ফাথবা ঙল্লবসু ওটিওঅরথ্রাইটিসনা মরম ওইদুনা খুউ তাঙ অমদি ফৈগল নাবা ফাথনবগী মতাংদা থোইনা কান্নবা ফংদে। কুমজা ১৯৮০ অমসুং কুমজা ২০১৫ গী মরক্তা চথুখিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি ৭৪ গী দেটা কুপ্না নৈনরবা মতুংদা পেরাসিটামোলনা অরথ্রাইটিসকী চৈনাখোল ফহনবদা থোইদোক্লা কান্নবা পীদে হায়বা খঙলকপনি।

ওষ্টিওঅথরথ্রাইটিসনা নারবা মীওই ৫৮৫৫৬ পু কাঙলু অনী থোক্লা খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমদা পেরাসিটামোল পীজরগা অতোপ্পা কাঙলুপ অমদনা নন-ষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ড্রগ (এন এস এ আই দি) পীজরম্মী। মদুদা পেরাসিটামোলনা ওষ্টির অরথ্রাইটিসকী চৈনাখোল ফাথবা ঙমদে হায়বা খঙলকখিবনি। অরথ্রাইটিসনা মরম ওইরদুনা তাঙ-তাঙ চিকপা, নাবা ফহন্নবগীদমক্তদি নন ষ্টেরোইদেল এন্টি-ইনফ্লেমেটরি ড্রগ (এন এস এ আই দি) না ফবা হেল্লি। অমরোমদা তোঙান তোঙানবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিংনা পুথোরক্লগা ডোক্তরগী প্রেস্ক্রিপসন য়াওদ্রবসু য়ারিবা হীদাক (ওভর দ কাউন্টর ড্রগ) শিং কয়া য়াম্না ইফেক্টিভ ওইরিবগে হায়বদু খঙদোক্ল বগীদমক অখঙ অহৈ কয়ানা মালেমগী থাক্তা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফিক্স দোজ কম্বিনেসন (এফ দি সী) ড্রগ ৩৫০ হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়দুনা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা হীদাক ১২০০ রোমসু কুপ্না য়েংশিনবগী থবক পায়খৎলি।

অথিংবা থমখ্রবা হীদাকশিংগী মনুংদা লোক খুবা ফহন্নবনি হায়দুনা পুথোরকখিবা কোরেক্স অমদি ফেন্সিদ্রাইল মমিং পনবা য়াই। হায়রিবা হীদাক মখলশিং অসিদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবা কোদিননা ব্রেনদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহল্লক্কদবা মরম্না অথিংবা থমখিবনি হায়রি। মতৌ অসুম্না হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হীদাক ৩৫০ অথিংবা থম্নবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা গেজেট নোটিফিকেসন ফোঙনবা থৌরাং তৌরি।

# কংলা ঠিএটর মরাথোন-২০১৬

## মরিনি চনবা নুমীৎ

## কাউরুরবা মণিপুরগী পুৱারীশিং নীংশিংহনবা নুমীৎ

হুইয়েন ইন্দু



মরন্নাই ওইবা ইমুংগী খুদোংচাদবা অমদগী ফোক নেরেটিব আর্ট ফেষ্টিভেলগী মরিনি চনবা নুমিৎকী অহানবা প্রোগ্রাম ওইনা, মুহম্মদ ইস্লামউদ্দিন'না শক্কদবা 'মুসলিম ফোক শোং', মশা লাক্তুবনা শকখিদে। হয়েং অরোইবা নুমিৎতা ওইনা শক্লগনি। অদুনা মরম ওইদুনা পুং ৩ দা হৌগদবা প্রোগ্রাম অদু নুমিদাং পুং ৬.৩০ দা ইম্ফালগী মৈতৈ লাঙ্গোলদা লৈবা 'লৈমরেম্বী আর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন' গী ফোক ড্রামা 'তুম্বা লীরি খোম্বী' উত্তুনা হৌখি।

দল্লিয়ু সমরেন্দ্র'না দিরেক্সন পীবা, লৈখিদ্রবা টি ঐচ তোম্বী সিংহনা ইরম্বা লীলা 'তুম্বা লীরি খোম্বী' মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা-থোইবী পোক্ত্রিঙৈ মমাঙগী কবুই শলাং নিংথৌনা পুরেম্বগা লৈনবা অচেৎপা মরী অদু উৎপা লীলা অমনি। সোম্বু খুনগী খুল্লাকপগী মমোল্লোই 'তুম্বা লীরি খোম্বী' বু কবুই শলাং নিংথৌনা পায়মা খোয়দারুদুনা, পুন্সি লৈপুল শেমজগে, তালোয় শীংদা চঞ্জগে নীংজরুই। তাথী তাওইনা তৌদুনা, ঈকায় ফিরুক খুমহন তাম্থোরক্লবদা অঙাং ওইরিঙৈগী মরূপ খুমন মচা পুরেম্বগী মতেং লৌদুনা সোম্বু খুল্লাকপগী মফমদা হুইয়েন লানশীংনরগা মমোম মাবু মুল্লগা মাগী তাল্লোয় ওইহনগে শরী ৱাশক্লুই। পুরেম্বগী মফমদা য়াৱা পাউদম্লুবদা, খুল্লাকপদা হায়জসি - য়ারে লেম্না লৌবীসি য়াদ্রে লৌসি নমদুনা, অসুম হায়না পাউখুল্লক, লাক্লে অমুক হন্দুনা। লাইজ ঈকঙ থোক্লবা সোম্বু খুঞ্জাও অসিদা ঈশিং ঈফুৎ থোক্লবা, লৈচিল নোংখেৎনরিবা সোম্বু চীংগী চীংদোন্দা থাঙগী থাঙলোন, তাগী তারোন খঙবা কনানা খৌশারুবা ঙল্লবা, ঈফুৎ ঈরম ফাৎলুবা তম্বদুগী মফমদা মোমোম মাবু থাজনি, হায়দোক্লেদো খুল্লাকপা। থৌদাং অদু পাঙথোক্লে, ঈরায় লায়না পুরেম্বা। লীরি খোম্বী থাজরে, পুরেম্বগী মফমদা পুরেম্বনা য়াদরে। খোয়শাওনরবা খুল্লাকপা পুরেম্বগা চায়নরে। মায়থীরবা খুল্লাকপা, পুরেম্বনা হায়বা ৱা য়ারদুনা মমোম্বু শলাং নিংথৌদা থাজরে। পুরেম্বগী মতৌদা পেল্লদুনা শলাং নিংথৌ, পুরেম্বগী মপারী নৎত্রগা মমোম ওইবী অমত্তং মচা শক্লা নাউয়োক্কে হায়বা শরী ৱাশক্লা লীলাসিগী পোলোইনি।

তাম্থা নাইবা খোম্থাক্তা শৈরেং ওইনা ঙাঙবা দাইলোগ হায়বসিমক্তবু অকনবা ত্রেনিং অমা, ঙসিগী এক্টরশিংদা তঙায়ফদবা অমনি। রিদমিক দাইলোগ অমগা ঈরোয়নবা এক্টিং মেথদ-তরাইনা লৌবা য়াদবনি। অদুবু, কৈথেল নংবী মওংদা দাইরেক্টরশিংনা ফোক ড্রামা অমবু পানখৎতুনা পুথোকপগী মচৎ অসিমদি হোংদোকপা ফবনি। অদুবু, কাউরুরবা কলা অমা নীংশিংহনবা কাঙলূপ খরা থোক্লকপা হায়বসিসু অফবা দিভলপমেন্ট অমনি।

নুংতিগী অনীশুবা লীলা, লৈমেয়োন আর্টস সেন্টর, চীংঙামখাগী 'ঈমা কৈথেল' ফেষ্টিভেল অসিদা ঙসি ফাওবদা উৎখিবা লীলাশিংগী মরক্তা খ্বাইদে খোয়দৌ শাউগৎহনবা লীলা অমনি। মীয়ায় চল্লবী অমদি অহল ওইরবী নুপীঙাক্তনা শান্নবা, খ্বাইরম্বদগী ইমা কৈথেলদা অহল ওইরবী নুপীশিংনা ইমুং মনুং থাক্লবা হোৎনরিবা অমদি খুন্নাইসিগী লুরবা তানফম কয়াদা লাম্থেংনখিবগী থৌদোকশিং নীংশিংদুনা শান্নবা কুম্মৈ অমনি। অথোয় অহেন তান্নবা ড্রামা ফেষ্টিভেল অমগীদমক্তি উৎফম শুকথোক থোক্তবা লীলা অমনি 'ইমা কৈথেল'। লীলারোইশিং অমদি দাইরেক্টরগী ৱাখলদসু লীলাসিনা করিগুম্বা মখলগী মনা অমা ফংগনি হায়বা লৈতে, মৈরা পায়বী/কৈথেল ফম্বী খরা পূনশিল্লগা ফেন্সি-দ্রেস পার্ফোমেন্স অমা থোক্লুবগী মওংদা শাগৎপা কুম্মৈ অমনি। মনা মশিং য়োনবা কৈথেলগী সিন অমা, লুকমায় পানবী নুপী অমনা কৈথেল কারমদাইগী সিন অমা, নুপী লান হায়না খঙনরিবা, দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯ গী থৌদোক অদুমগা কাবক কাবক হেক্তা শাগৎলগা কম্পিটিসন অমগী লীলানি খন্না পুথোরক্লিবা লৈমেয়োন আর্টস সেন্তরগী থৌমীশিংগী ৱাখল ঙক্তবা ঙমদে। য়াওশঙ কুম্মৈগুম্বা মতম লেন্নবা, মীয়াম ঙাইহাক নোকমিন্নবা পুথোক্লম্বা ওইরবদি দাইরেক্টর অমদি রাইটর অনীমক্কী থৌদাং লৌরিবা 'কিরন মৈকাম' বু লৈকায়না শোয়দনা থাগৎনরমগনি। মতমসিগী লীলাগী মচৎ নীংথিনা খঙলবা অমদি য়াওলসিদা য়াওরিবা লূপ অমনি এল এ সি। কিরন মৈকাম- এল এ সিগী য়াম্না অচঙবা এক্টর অমদি দাইরেক্টরনি। তুংদদি অসিগুম্বা চাংয়েং তৌবীরক্লোই থাজে।

মরিনি চনবা নুমিৎকী অহুমশুবা লীলা, পান্থোইবী কলচরেল মুভমেন্ট ওর্গেনাইজেশন, হাওরৈবী, ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর্টিষ্টশিংনা শান্নবা লীলা 'তাম্না' নুমিদাং পুং ৯.৩০ তাবদা উৎখি। মণিপুরগী ফোক লীলা ইবা অমা ওইনা মমিং চৎলবা লৈখিদ্রবা 'হাওবম তোম্ব'না ইরম্বা ড্রামা অমনি। মণিপুরগী মমিং লৈরবা থিয়েটর গ্রুপ অমদি শুমাং লীলা পার্টি কয়ানা মশীং খঙদনা শান্নখ্রবা, মণিপুরগী খুঙ্গং খুনয়া শিনবা থুংনা মীয়ায় চল্লবা মীগী মীরোলনা খঙদ্রবা লৈত্রবা ৱারীনি - খুমন নিংথৌ পুন্সিবা, মনাও ইবুংঙো চীংলেনখোম্বা অমদি নোংদ্রেন খোম্বগী তাবুনুংদা লৈখ্রবা, কনানসু নীংশিংখিদ্রবা ৱারী। ঙসিগী মীরোলনদি মমিং ফাওবা খঙদ্রবা অরিবা মতমগী ৱারী লাইরিকশিং - পাহন্নবা পায়খৎপা লৈঙাক্কী থৌরাং লৈতবনা থিয়েটর লূপ খরনা অখন্ননা পায়খৎপা ফোক থিয়েটর হিংহন্নবা থৌরাংশিংদা উৎলকপা লীলাশিংনা কলচরগী অচৌবা অহাঙবা অসি মেনশিন্দুনা লাক্লি। নুপী ওইবী মপোকসিনা নিংথৌ লৈঙাক অমবু কয়ামুক তমথীনা মাঙহন তাকহনবা ঙম্বগে হায়বদু উৎলিবা, মমাঙঙৈগী মতমদগী অসিগুম্বা হীংচা-য়াইতম্বগী পুকচেল চেনবী নুপীশিং অঙম অথৌগী ইমুংদা য়াওরকই হায়বদু উৎলিবা ড্রামা অমনি হাওবম তোম্বগী 'তাম্না'। লীলা অসিদসু লীলারোইশিং, হাথু হাথু কৈথেল নংনবা হোৎনরগা লীলা পুথোরকপগী মমি তারি, আর্টিষ্ট অমদি দাইরেক্টরনসু ৱাফম অসি য়াই, মচীনমক্লা ফোঙদোকই। ৱাফমসিনা তাকপদি মখোয় থিয়েটর হায়রিবা আর্ট অসিদা সিরিয়স ওইদে হায়বনি। মসিমদি তশেংনমক থম্মোয় শোক্লিংঙাই মশক্লি।



পুন্নমকসি ওইদুনসু, ওদিটরিয়ম থন্না য়েংলিবা অয়েংবশিংনা তাকই - উচিৱাগী মীয়ামদি থিয়েটর নুংশিবা মীয়ামনি।


## নহাক ওব্লিগেটেদ এন্টাইইটি অমা ওইরবা?
### (রিন্যুএবল পাৱার ওব্লিগেসন)
## নহাক আর পি ও কমপ্লাইএন্ট ওইরবরা?
## আর পি ও কমপ্লাইএন্ট ওইয়ু অমসুং
## গ্রীন ফ্যুচর অমদা চাউথোকচনিংঙাই কন্ত্রিব্যুটর অমা ওইয়ু



**ইন্দিয়াদা লৈরিবা দিষ্ট্রিব্যুটর কম্পেনিশিং, কেপ্টিব পাৱার কঞ্জ্যুমরশিং অমসুং ওপন এক্সেস কঞ্জ্যুমরশিং পুন্নমক্তা**

- মরী লৈনবা ষ্টেট/জোইন্ট ইলেক্টিসিটি রিগ্যুলেটরি কম্মিসন্না নোটিফাই তৌরবা ওব্লিগেটেদ এন্টাইইটিশিং পুন্নমক শেনবা চহী খুদিংমক্কীদমক মখোয়গী **রিন্যুএবল পর্চেজ ওব্লিগেসন (আর পি ও)** মপুং ফাহনবা মথৌ তাই:
  - **ওন জেনরেটর/থার্দ পার্টিদগী রিন্যুএবল পাৱার শীজিন্নরগা**
  - **রিন্যুএবল ইনর্জি সার্টিফিকেটশিং (আর ঈ সীজ) লৈদুনা**
- এফ ৱাই ১৫-১৬ অমসুং (মথৌ তারবদি) মমাঙগী এফ ৱাইশিং মার্চ ৩১, ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা ওব্লিগেটেদ এন্টাইইটিশিং পুন্নমক্না আর পি ও কমপ্লাইএন্সকীদমক মথৌ তাবা থবক পায়খৎপা শোয়হল্লোইদবনি।
- নহাক্না মতিক চাবা রিন্যুএবল ইনর্জি নৎত্রগা আর ঈ সীশিং লৈদবা ওইরগনা ইনর্জি এক্সচেঞ্জশিংগী খুথাংদা আর ঈ সীশিং লৈরগা নহাক্না মদু তৌবসু য়াই। এফ ৱাই ২০১৫-১৬ কী অরোয়বা ট্রেদ সেসন ৩০.০৩.২০১৬ তা মতম লেপ্পে।
- নন কমপ্লাইএন্স ওইবা তারবদি ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩ গী সেক্সন ১৪২ গী মখাদা চৈরাক অমসুং থবক অমসুং মরী লৈনবা এস ঈ আর সী/জে ঈ আর সীনা নোটিফাই তৌবা চৈরাক অমসুং থবকশিং পায়খৎলক্লিংঙাই লৈ।
- ওনরেবল সুপ্রিম কোর্টনা হিন্দুস্তান জিঙ্ক লিমিটেদ ভর্সেস রাজস্থান ইলেক্ট্রিসিটি রিগ্যুলেটরি কম্মিসন (সিভিল আপ্পিল নম্বর ৪৪১৭ ওফ ২০১৫) গী কেসতা অমসুং এপ্পেলেট ট্রিব্যুনেল ফোর ইলেক্ট্রিসিটিনা ইন্দিয়ান ৱিন্দ পাৱার এসোসিয়েসন ভর্সেস গুজরাত ইলেক্ট্রিসিটি রিগ্যুলেটরি কম্মিসন অমসুং অতৈ (আপ্পিল নম্বর ২৫৮ ওফ ২০১৩) অমসুং ইন্দিয়ান ৱিন্দ পাৱার এসোসিয়েসন অমসুং অতৈ ভর্সেস গুজরাত ইলেক্ট্রিসিটি রিগ্যুলেটরি কম্মিসন অমসুং অতৈ (আপ্পিল নম্বর ২১ ওফ ২০১৪ অমসুং আই এ-২৮ ওফ ২০১৪) অমসুং এস ঈ আর সী জজমেন্ট কয়ামুক্তা আর পি ও কমপ্লাইএন্স তৌদবা য়াদবা অমা ওইহনখ্রে।
- **য়োন্দ্রিবা আর ঈ সী হৌজিক ফাওবদা মিল্লিয়ন ১৭**
- মরী লৈনবা অহেনবা ঈ-পাউগীদমক মরী লৈনবা এস ঈ আর সী/আর পি ও রিগ্যুলেসনদা য়েংউ।

য়োল্লিব্রা আর ঈ সী

davp 28101/13/0038/1516

মিনিষ্ট্রি ওফ ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

Website
www.iexindia.com
www.powerexindia.com

Website : www.mnre.gov.in Join us at: @mnreindia

হিংবদা মতিক চানবা মচাক লৈরবা হয়েং অমগীদমক অশঙবা লম্বী অদু খল্লু।